## ‘হৈকৎ-লৈকৎপা, মীয়ামগী মীফমদা মীয়াম্না শরুক য়াবীয়ু’

ইম্ফাল, জুন ১৩(ঐচ এন এস) ঃ

হৌখিবা কুমজা ২০০১গী জুন ১৪গী বেঙ্কোক এগ্রিমেন্ট অদুনা মণিপুরগী লমখৈদা শীংনরকপদগী খোইশাওনরবা মীয়াম্না হৌরকখিবা ঈহৌদুনা জুন ১৮গী মীয়ামগী ঈহৌগী নুমিৎ ওইখি। অমুকো অমসুং য়ু সি এম অনী পুন্না মণিপুর মীয়ামগা লোয়ননা ‘দ গ্রেট জুন অপরাইজিং, য়ুনিটি ডে’ হায়না মিংথোঞ্জদুনা ১৩শুবা নীংশিং কুমওন থৌরম ইঙাগী ২১নি পানবা য়ুমশকৈশ নুমিৎ, জুন ১৮, ২০১৪গী কেক্রুপাৎতা পাঙথোক্কদৌরিবা লাইশোল থৌরম, হৈকৎ-লৈকৎ তন্বা অমসুং মীয়ামগী অচৌবা মীফম অসিদসু শরুক য়াবীয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।

১৩শুবা দ গ্রেট জুন অপরাইজিং, য়ুনিটি ডে-২০১৪, অমুকো, য় সি এমগী পব্লিসিটি সব-কম্মিটিগী কনভীনর এন জি দেব মৈতৈনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, ব্লদ দোনেস কেম্প অমসুং থৌরম মফম কেক্রুপাৎ, রিমস দোনেস কেম্প অমসুং জেনিমস হোস্পিটালশিংদা পাঙথোকচগনি। থৌরমশিং অসিদসু মীয়াম হুপ্পা শরুক য়াবীয়ু।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা মণিপুরদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা হরাউ কন্ধেগী লোইশঙশিং, সোসাইটিশিং, লৈঙাক্কী লোইশঙশিং, লনাই মীওইশিং নোংমগী শিন্থ লেপ্পীদুনা অসিগুম্লবা ১৩শুবা দ গ্রেট জুন অপরাইজিং, য়ুনিটি ডে থৌরম অসিবু শরুক য়াবীয়ু। তঙাই ফদবা লাইনীংগী ওইবা থৌরম খরা খক নৎতনা হরাউ কুম্মৈ খুদিংমক নোংমগী ওইনা জুন ১৮দা লেপ্পীয়ু। থৌরম অসিগা মরী লৈননা মীয়াম্না পোৎ নৎত্রগা শেলগী মতেং খ্বাইদগী অঙন্বা থাক্তা মতেং পাঙবীনবা হায়জরি হায়রি।

## চেঙ্গুমগী মতাংদা ট্রেনিং পীগদৌরি

ইম্ফাল, জুন ১৩(ঐচ এন এস) ঃ

ইম্ফালগী নাগামপাল রিমস লম্বীদা লৈবা রামা ফাউন্দেসন্না শীন্দুনা লাক্লিবা জুন ১৬তগী নুমিৎ হুমনি চুপ্পা চেঙ্গুম থাব, মরু শেম্বা, হার শেম্বা, চরা পান্বী শেম্বা অমসুং লায়না তিলনাগী মতাংদা সবজেক্ট মেটর স্পেসিএলিষ্ট অমসুং সাইন্টিষ্টশিংনা ট্রেনিং পীগনি। রামা ফাউন্দেসনগী মখাদা হান্নমা ট্রেনিং ফংথ্রবা মীওইশিংনা হেন্না খুদোংচাবা পীজগনি। অকুপ্পা মরোল মোবাইল ফোন নম্বর ৮৪১৪৯৮০৯৭৭ তগী খঙবীবা য়াগনি হায়না ফাউন্দেসন অসিগা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

## চাংয়েং পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুন ১৩(ঐচ এন এস) ঃ

ইন্দিয়ন ইনষ্টিট্যুট ওফ হেন্দলুম টেক্নোলোজি, গুৱাহাটিদা সিক্স সেমিষ্টর দিপ্লোমা কোর্স ইন হেন্দলুম এন্দ টেক্সটাইল টেক্নোলোজি তম্নবগী চান্নবা কেন্দিদেট খন্নবগী পার্সনেল ইন্টর্ভ্যয়ু লাক্লিবা জুন ২০গী পুং ১১ তাবা মতমদা লম্ফেলপাৎতা লৈবা দাইরেক্টর ওফ কর্ম্মস এন্দ ইন্দষ্ট্রিজগী ওফিস কাদা পাঙথোক্লগনি হায়না দাইরেক্টোরেট ওফ কর্ম্মস এন্দ ইন্দষ্ট্রিনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## দেন্টেল হেল্ঠ কেম্প পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, জুন ১৩(ঐচ এন এস) ঃ

ইন্দিয়ন দেন্টেল এসোসিএসন, মণিপুর ব্রাঞ্চনা শীন্দুনা নোংমগী ওইবা ফ্রী দেন্টেল হেল্ঠ এন্দ এৱেয়রনেস কেম্প অমা মণিপুর মাউন্টেনীয়রিং এন্দ ট্রেক্কিং এসোসিএসনগা খুৎশম্নরগা লমদান্দা লৈবা মণিপুর মাউন্টেনীয়রিং ইনষ্টিট্যুটতা পাঙথোক্কদৌরি হায়রি।

ইন্দিয়ন দেন্টেল এসোসিএসন মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী সেক্রেটরি দো: কে ঐচ দেবনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, অহল অমসুং নহা পুম্নমক্তা দেন্টেল হেল্ঠকী মরুওইবদুগী মতাংদা ৱাখল তাহন্নবগীদমক এৱেয়রনেস কেম্প অসি পাঙথোকপনি।

## জগোয়, ঈশৈ খুদোল তৌবা য়াগনি

ইম্ফাল, জুন ১৩(ঐচ এন এস) ঃ

ইম্ফালগী গান্ধী মেমোরিএল হোলদা লাক্লিবা ওগষ্ট ১৪দা বৃটিশনা মণিপুর থাদোকখিবা নুমিৎকী থৌরম ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোক্লগনি হায়না কষ্টম এন্দ ট্রেদিসনেল ওবজার্ভেসন কম্মিটি, চীংমৈরোংনা ফোঙদোরক্লি।

ওবজার্ভেসন কম্মিটি অসিগী প্রসিদেন্ট ডো: এল ইবোহল মৈতৈনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা জগোয়, ঈশৈ, পেনা, খোঙজোম শৈশক, মোইরাং শৈশক, থৌবাল শৈশক, খুনুং ঈশৈ, থাঙ-তা নাইতোম অমসুং অপুনবা কয়া উৎকনি। মসিদা য়াওনিংবা অমদি খুদোল তৌনিংবশিংনা লুপা ৫০ পীবা ফোর্ম অমা লৌরগা লাক্লিবা জুলাই ৫ ফাওবগী মনুংদা পীশিনগদবনি।

অকুপ্পা মরোল কষ্টম এন্দ ট্রেদিসনেল ওবজার্ভেসন কম্মিটিগী ওফিসকী মোবাইল ফোন নম্বর ৯৬১৫৫৩৩৭৩৭ দগী খঙবা য়াগনি হায়রি।

# বি জে পিনা এম ঐচ আর সি মথৌ তৌহন্নবা হোম মিনিষ্টরদা তকশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৩(ঐচ এন এস) ঃ

মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এম ঐচ আর সি) ইনষ্টোলেসন তৌদুনা মথৌ তৌহনবীয়ু হায়না ভারতিয়া জনাটা পার্টি (বি জে পি), মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট টি ঐচ চাউবনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহদা অইবা চেরোল অমা পীশিন্দুনা তকশিনখ্রে হায়না বি জে পি, মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট স্পোকপার্সন ৱাই নিলমণিনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, বি জে পি, মণিপুর প্রসিদেন্ট টি ঐচ চাউবনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরদা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদুনা ফোঙদোকখিবদা য়ুনাইটেদ নেসন্স জেনরেল এসেমব্লি এসেমব্লিনা লৌখিবা ৱারেপ অমসুং ইন্টর্নেসনেল কোভিনেন্ট ওন সিভিল এন্দ পোলিটিকেল রাইটসপু শকখঙদুনা ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টনা প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটস এক্ট, ১৯৯৩ চৎনহনখিবনি।

প্রোটেক্সন ওফ দ হ্যুমেন রাইটস এক্ট, ১৯৯৩গী মখাদা ষ্টেট খুদিংমক্তা হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন লীঙখৎনখি। অদুমওইনমক মণিপুরগী কম্মিসনদি চ্যেরমেন, মেম্বরনচিংবা হাপ্তবদগী হৌখিবা কুমজা ২০১০গী মে ৯দগী মথৌ তৌবা লেপ্তুনা লৈরক্লি।

পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমদা গৌহাটি হায় কোর্টনা হৌখিবা কুমজা ২০১১গী ওক্টোবর ১৯দা পীখিবা য়াথং অমদা এম ঐচ আর সি য়ারিবা মখৈ অথুবা মতম থা মরিগী মনুংদা কনষ্টিট্যুট তৌনবা খঙহনখিবনি। অদুবু চ্যেরমেন/ মেম্বরনচিংবা হাপ্নবা মতিক চাবা মীওই অমত্তা লৈতে হায় হায়দুনা ঙসি ফাওবা কম্মিসন অসি কনষ্টিট্যুট তৌদনা লৈরি হায়না মেমোরেন্দম অদুদা ফোঙদোকখি হায়রি।

মতাং অসিদা পনবা য়াবদি, মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী চ্যেরপার্সন ওইনা হাপ্পা য়াবা সুপ্রিম কোর্টকী রিটায়র্দ জজ নৎত্রগা ইন্দিয়াগী হায় কোর্টশিংগী রিটায়র্দ চীফ জষ্টিসশিং লৈ। অতোপ্পা মেম্বরশিং হাপ্নবা হায় কোর্টকী রিটায়র্দ জজশিং, দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ অমসুং সোসল ৱর্কর মণিপুরদা মরাং কায়না লৈরি। পব্লিক ইন্টরষ্টেতা চ্যেরমেন য়াওদ্রবসু কম্মিসন অসিগী থবক হৌহনবা য়াই হায়রি।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরদা পীখিবা মেমোরেন্দম অদুনা মখা তানা হায়খিবদা, মণিপুর অসি টেরোরিষ্ট ইনফেষ্টেদ এরিয়া ওইবা অমসুং সেক্যুরিটি ফোর্শ নৎত্রগা টেরোরিষ্ট ইলিমেন্টস ওইগনি হায়বা শকখঙদবা খুৎলাইপায়বা মীওইশিংনা নহা কয়া মফম খঙদনা মাঙহনখিবা য়াওনা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী ৱাকৎ কয়া লৈ হায়বসি মালেমদা লৈরিবা পুম্নমক্না খঙনরবনি। অদুবু মণিপুরদা ষ্টেট ওথোরিটিনা অসিগুম্বা মী ফাখিবা, হাৎপনচিংবগী পাউপারগা য়াম্না নুংঙাইবা ফাওবা মাল্লে। ষ্টেট হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন অসিবু কনষ্টিট্যুট নৎত্রগা ইনষ্টোল তৌনিংবা অপাম্বা অদু ষ্টেটতা লৈতবা মাল্লে।

মণিপুর ষ্টেটনা অথুবা মতমদা হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন অসি কনষ্টিট্যুট তৌহনবীয়ু অমসুং হীরম অসিবু নরেন্দ্র দাস দামোদর দাস মোদিনা লুচিংবা হৌজিক লৈরিবা এন দি এ গর্ভর্নমেন্ট অসিগী ১০০ দেজ প্রোগ্রামদা য়াওহনবীয়ু হায়নসু মেমোরেন্দম অদুদা বি জি পি, মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্টনা মখা তানা তকশিনখি হায়রি।

# ‘বোর্দনা পাঙথোক্কদৌরিবা মৈতৈ ময়েক্কী টেষ্টতা ওজাশিংনা শরুক য়াবীয়ু’

ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচ এন এস)ঃ

ওল মণিপুর রিকগনাইজ প্রাইভেট স্কুলস’ ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী মখাদা লৈবা স্কুলগী এম আই এল (মণিপুরী), সোসল সাইন্স, সাইন্স, মেথমেটিক্স লৌবা ওজা খুদিংমক্না বোর্দ ওফ সেকেন্দরী এদ্যুকেসন, মণিপুর (বোসেম)না পাঙথোক্কদৌরিবা মৈতৈ ময়েক্কী টেষ্ট মরু ওইনা ক্বেসন সেটিং, ইভাল্যুএসন, টিচিং মেথদলোজি কয়াদা য়ুম্ফম ওইগদবনা টেষ্ট অসি শুংসোই শোইদনা শরুক য়াবীগদবনি হায়না মেম্বর স্কুলশিংদা খঙহঞ্জরি হায়রি।

ওল মণিপুর রিকগনাইজ প্রাইভেট স্কুলস’ ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এল জয়না প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, পাঙথোক্কদৌরিবা টেষ্ট অসিগী অকুপ্পা মরোল এসোসিএসন অসিগী ওফিস্তগী খঙবীবা য়াগনি। টেষ্ট অসিগী ফোর্ম এসোসিএসন অসিগী ওফিস অমসুং বোসেমগী ওফিস্তগী ফংগনি।

ইরমদম অসিদা ঈশাগী ইরোল ইয়েকপু চাউখৎহনবা অমসুং তুংদা হৌরক্লিবা মহৈরোয় কয়াদা মৈতৈ ময়েকপু হেন্না নীংথিনা তাকপী-তন্বীবা লোয়ননা কুমজা ২০১৫দগী বোসেমনা লৌবা ইগজামিনেসন্দা মৈতৈ ময়েক্না মরু ওইবা লোল ওইরক্কদবগী মরম ওইবনা হন্দক বোসেম্না মাঙজৌনন্না প্রাইভেট স্কুল অমসুং গভর্নমেন্ট স্কুলশিংগী ওজাশিংদা মৈতৈ ময়েকপু হেন্না হৈনবা, খুৎলোইনবা তাকপী তন্বীনবা অমসুং টেষ্ট কয়া তৌনবা পায়খৎলকপা থবক থৌওং কয়াবু এসোসিএসন অসিনা থাগৎপা অমসুং নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি হায়রি।

চহী কয়াদগী ময়েক্কীদমক ৱাজরকপা ইরমদমসিগী লুপ কয়ানা হোৎনজরকপগী মহৈ লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০১৫দগী ফংবা হৌরগনি খনবদা এসোসিএসন অসিনা ময়েক্কীদমক কৎথোকখ্রবা অমসুং কৎথোক্লিবা কয়াদা তৌবীমল খঙবা উৎচরি। অদুবু ময়েক্কী ওইবা অখঙ অহৈ কয়া মরাং কায়না স্কুলশিংদা লৈতবনা অৱাবা খরদি মায়োক্লগদৌরিবা। অৱাবশিং অসি উদুনা বোসেমনা মতাং মতম চানা বোর্দ অসিগী মখাদা লৈরিবা ওজাশিংদা মমীৎ-মমায় পাংহন্নবা অমসুং ইয়েকসিবু ইরমদমসিগী ওজাশিংনা শোইদনা খঙননবা হোৎনরক্লিবা খোঙথাংসিদা এসোসিএসন অসিনা অঙন্বা থাক্তা মতেং পাংগনি হায়নসু চেরোলসিদা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# মতিক চাবা প্রদ্যুসর, দিরেক্টর অমসুং এক্টর থোরকপা মথৌ তারে ঃ সুর্যকান্ত

ইম্ফাল, জুন ১৩(ঐচ এন এস) ঃ

ফিল্ম ইন্দষ্ট্রি অমা চাউখৎহনগে হায়রবদি মতিক চাবা প্রদ্যুসর, দাইরেক্টর অমদি এক্টর থোরকপা মথৌ তারে। প্রদ্যুসর, দাইরেক্টর অমদি আর্টিষ্টশিংনা পাক চাউরবা ফিল্মগী প্লেটফোর্ম অসিগী ৱাংমদা মীনা তাবদা হঙ্গোই তুক্কৎচনিঙাই ওইবা থবক থৌরম তৌরবদি ফিল্ম ইন্দষ্ট্রি অসি নোংম-নোংমগী মনিং হল্লক্কনি। মরম অসিনা অফবা ফিল্ম ইন্দষ্ট্রি অমা ওইনবা হোৎনবদা প্রদ্যুসর দাইরেক্টর অমদি এক্টরশিং কো ওপরেসন পীনবা মথৌ তাই হায়বা ৱাফম অসি ঈপাক ফিল্ম প্রদক্সন্না শিন্দুনা য়ারলপাৎতা লৈবা কোন্থীরৈ লৈকোলগী মিনি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকপা ফিল্ম অনীগী য়াইফ থৌনি থৌরমগী অথোইবা লেঙবীরকপগী ৱারোল থম্লদুনা লাইময়ুম সুর্যকান্তনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মণিপুরী ফিল্ম ইন্দষ্ট্রি হিংহন্নবা হোৎনবদা ঈপাক ফিল্ম’স প্রদক্সন্না লৌরিবা থৌদাং অসি ফিল্ম ফোরম অমদি মণিপুরী মীয়াম্না তরাইনা খক লৌদে হায়খি।

ঈপাক ফিল্মনা তেনখ্রবা চহী খরসিদা পুথোরক্লিবা ফিল্মশিং অমদি তৌরক্লিবা থবক থৌরমশিং অসিনা তাকই। মদুদি ঈপাক ফিল্ম প্রদক্সন তশেংনা ফিল্ম ইন্দষ্ট্রি অসিবু হিংহন্দবা য়াদে হায়বগী ৱাখল্লোন্দা থোরকপা বেন্নর অমনি। লমদমসিদা শেঙ্গাও পায়বা খরনা ফিল্ম করিনো খঙদনা ফিল্মগী লমদা থবক তৌজরিবশিংদা মিংচৎ থিহল্লে।

প্রো: যোধচন্দ্র সনসমনা ইবা ‘সেকেন্দ হেন্দ’ অমদি সোবিতা মোংজমনা ইবা ‘মৌনহাগী পাখঙ’ হায়না মীংথোনবা ফিল্ম অনীগী য়াইফ থৌনি থৌরম অদুদা ঈকায় খুম্নরিবা লেঙবীরকপা ওইখিবা স্লোপলেন্দ পব্লিক স্কুলগী প্রিন্সিপাল নহাকপম বাবুলিননা হায়খিবদা, লমদমসিগী ফিল্ম তৌরিবশিংনা য়াম্না ৱাখল তানা ফিল্ম তৌহন্নীংই। ফিল্ম হায়বসি য়াম্না অচৌবা মাস এদ্যুকেসন অমনি। ফিল্মদা উৎলিবা থৌদোক-ৱাথোকশিং খুন্নাইসিগী মমি অমনি। ফিল্মদা থৌরী য়ানবগী সিন অমা উরুবদগী থৌরী য়াল্লগা শি হায়বগী ৱাথোক ফাওবা ওইরিবনি। অদু ওইবা তারবদি ঐখোয়না ফিল্ম হায়বা আর্ট অসি তরাইনা লৌফম থোক্তে।

ঈপাক ফিল্মগী মাপলশুবা অমদি তরাশুবা প্রদক্সন ওইনা পুথোক্কদবা ফিল্ম অনী অসিগী প্রদ্যুসরনা রাকেশ মৈরানি অমদি দাইরেক্টরনা ও সি মৈরানি হায়রি।

# কে সি পি এম টি এফকী কাদর ২ ফারে

ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচ এন এস)ঃ

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী পুলিস কম্মান্দোনা হৌখিবা তাং ১০ অমসুং ১১ দা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং চনবা তৌবুল অমসুং নম্বোল এরিয়াদা থিবা হুন্দ্বগী থবক চথ্বদা কে সি পি এম টি এফ ওর্গনাইজেসনগী কাদর অনী ফারে হায়রি।

পুলিস দিপার্টমেন্টকী পি আর ও এস গৌতম সিংহনা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, হৌখিবা তাং ১০ দা মাংজৌননা পাউ ফংবদগী তৌবুল ভিলেজদা থিবা হুন্দ্বগী থবক চথ্বদা সনাবম সমানন্দা মীতৈ এলিয়স অবুং (২৩) অপোকপা এস তর্পোন মীতৈ কৌবা কবো ৱাকচিং ময়াই লৈকায়দগী কে সি পি এম টি এফকী কাদর অমা ফারে।

মখা তানা ৱাহং পাউহং চথ্বদা মহাক বিষ্ণুপুর কৈথেল ময়াদা লৈবা গভর্নমেন্টকী থবক তৌবা মীওইশিং অমসুং ঠিকাদারশিংদা কে সি পি এম টি এফকী দিমান্দ লেটরশিং থাজিনবা মীওইনি হায়বা খঙবা ঙম্লে। মহাক্কী মথক্তা বিষ্ণুপুর পুলিস ষ্টেসন্না কেস অমা লৌখৎলগা থিজিনবগী থবক চথরিসু হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মথং নুমিৎ হৌখিবা জুন ১১দা নম্বোলগী মফম খরদা থিবা হুন্দ্বগী থবক চথবদা নম্বোল সাবল মমাঙ লৈকায়দগী ব্রহ্মাচারিময়ুম হিরোজিৎ (২৭) অপোকপা পি ঐচ ভগিরৎ কৌবা কে সি পি এম টি এফকী কাদর অমা ফারে হায়রি। মহাকসু কে সি পি এম টি এফ ওর্গনাইজেসনগী ফন্দ খোমগৎনবা নম্বোলগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা লৈরিবা মীওইশিং অমসুং দুকান ফম্বা মীওইশিংদা দিমান্দ লেটরশিং পীবা মীওইনি। মহাক্কী মথক্তা নম্বোল পুলিস ষ্টেসন্না কেস অমা লৌখৎলগা থিজিনবগী থবক চথরি হায়নসু চেরোলসিদা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।



## DIRECT ADMISSION 2014-2015

**MBBS & BDS in India**
**MBBS in China (At very low fees)**
(In very reasonable and affordable fees)

* MD/MDS in INDIA
* BE/B.tech (Civil, Mechanical, ECE, etc)
* Msc. Nursing/Bsc.Nursing
* MBA/BBA/MA/M.Sc/M.Criminology.

And all General Courses in reputed Universities in India.

How to reach us.




Records of Royal Educare :

1. Sucessfully admitted more than 30 students in MBBS (In India)
2. Introduce Bhopal for BDS.
3. Start sending Medical Students in China
4. By God's Grace we never fail our commitments.

Please Contact
ROYAL EDUCARE
Chingmeirong Assembly Road, Imphal, Manipur
# 985 609 3331 & 873 101 8494

Resi : Thangmeiband Lourung Pural Leikai

HL-B/980/ 23/5 - 22/6


## জেদ য়ুনা পেন্দবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুন ১৩(ঐচ এন এস) ঃ

চীংখম কবুই হাওখুন্দা হৌখিবা জুন ১১গী অয়ুক্তা হাওখুনগী মনাক্তা খুন্দারিবা মীওইশিংনা নুঙনা থাদুনা লান্দাখিবা অদুবূ জেলিয়াংরোং য়ুনিয়ন (জেদ য়ু), ইম্ফাল জোন্না পেন্দবা ফোঙদোরক্লি।

জেদ য়ু, ইম্ফাল জোনগী দি ঐচ গাইখেমমৈনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, চীংখম কবুই হাওখুল অসি মৈতৈ নিংথৌরেল কয়াগী থৌগাই কয়াবু পুদুনা লৈরক্লবা, মশাগী লম অৱাংদা খাদা, নোংপোক্তা, নোংচুপ্তা চপ চানা লৈজদুনা পাঞ্জরিবা হাওখুলনি। হাওখুল অসিনা মীশিং য়ামশিল্লকপদগী য়ুম খরা তোঙান্না লৈনবা খুলগী চীংগী অৱাং থংবা মনীংগী শরুক খরা য়ুম্ফম খরা তৌজবদা মশাগী লমসু নৎতবা মনাক্তা খুন্দারিবা মীওইশিংনা চীংখম হাওখুল অসি মীশিং য়ামদবা খুলনি খন্দুনা তৌরিব্রা হায়বসি হঙনিংই।

হন্দক্তসু লম অসিগী মতাংদা দিষ্ট্রিক্ট জজ, থৌবালনা হৌখিবা মে ২৪দা পীখিবা ওর্দরনসু ময়েক শেংনা খঙহনখিবা লৈনা লৈনা হাওখুলগী খুঞ্জাশিংদা নুঙনা থারিবা অসি মতুংদা অমুক তৌবীদনবা চীংখম মনীংদা লৈবা এম দি হবিবুর রাহমানগী মচানুপা লিলোং চীংখম ময়া দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এম দি জিয়াও রাহমানগী মফমদা মৈরিকপদগী মৈজ্রাও হৌরক্তবা হোৎনবনা ফগনি হায়না খঙহঞ্জরি হায়রি।

## ভেল্লি ওর্ফান হোমগী হেদ ওফিস হাংখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৩(ঐচ এন এস) ঃ

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা চনম সন্দ্রোক অৱাং লৈকায়দা ভেল্লি ওর্ফান হোম হায়না মিংথোন্দুনা ওর্ফান হোম অমা শারিবা অসিগী হেদ ওফিস ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ন্যু চেক্কোন ট্রাফিক পোইন্ট ময়াদা ঙসি হাংদোকখ্রে হায়রি।

ভেল্লি ওর্ফান হোমগী সেক্রেটরি এম দি জুমাখাননা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, হেদ ওফিস হাংদোকপগী থৌরম অদুদা ডো. এস কুমারনা অথোইবা লেঙবীরকপা, ঈ পি ও সেক্ট এল শচিরানিনা থৌরম মপু, কে ঐচ নবচন্দ্র অমসুং এস কে ৱাজিদ শাহনা ঈকায় খুম্নরিবা লেঙবীরকপশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসিগী হেদ ওফিস হাংদোকপগী থৌরম অদুদা ইরোয়ননা ভেল্লি ওর্ফান হোমগী নৌনা থৌ পুগদবশিংসু খনখ্রে। প্রসিদেন্ট ও ইনাও, সেক্রেটরিনা এম দি জুমাখান অমসুং ফাইনান্স সেক্রেটরিনা কে ঐচ ইন্দিরানা ওইরগনি হায়রি।



*ভেল্লি ওর্ফান হোমগী হেদ ওফিস ইম্ফালগী ন্যু চেক্কোন্দা হাংদোকখিবা*

# আই এল পি এস চৎহন্নবা প্রাইম মিনিষ্টরদা ওমিপম্না তকশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৩(ঐচ এন এস) ঃ

ওর্গনাইজেসন ফোর মুভমেন্ট ওফ ইন্দিজিনস পিপলস ওফ মণিপুর (ওমিপম)না ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর য়াওনা লাক্লিবা ওগষ্ট ৯, ইন্টর্নেসনেল ডে ওফ দ ৱার্ল্ড ওফ ইন্দিজিনস পিপল নুমিৎ অসি ফাওবগী মনুংদা মণিপুরদা য়েলহৌমী কন্নবগীদমক ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টেম (আই এল পি এস) চৎনহল্লু হায়না মেমোরেন্দম অমা থাদুনা খঙহনখ্রে হায়না ষ্ট্যুদেন্টস লীগ, মণিপুর (এস এল এম)না ফোঙদোরক্লি।

এস এল এমগী ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি এম জয়ভুষন মৈতৈনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, এস এল এম অমসুং ওমিপম অনীনা মণিপুরদা য়েলহৌ লম অমসুং য়েলহৌমী কন্নবগী চঙশিল্লকপা খোঙজং অসিনা মরম ওইদুনা থাজবা মাঙলুরবা মণিপুর মীয়ামগী ৱাখলদা অনৌবা য়েন্নিং হুনবগা লোয়ননা য়েলহৌমী কনবা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবা মকা লালক্লি অমসুং মশিং য়াম্লবা মীয়াম্না মপুং ফানা শৌগৎপা ফোঙদোক্লক্লি।

হৌজিক ওমিপম অমসুং এস এল এম অনীনা খুৎশম্নদুনা মণিপুরগী এসেমব্লি সেগমেন্ট ৩০ হেনবদা মীয়ামগী ওইবা মীফম পাঙথোক্তুনা য়েলহৌমী কন্নবগী ফীরেপ অসি অঙন্বা থাক্তা চেৎশিন্নবা হোৎনরি। মীয়ামগী ঈহৌনা মায় পাকপা হায়বা অসি শোইদ্রবা ৱাফমনি মরম অদুনা অনৌবা মীরোলননা লুচিংদুনা চঙশিল্লক্লিবা কখোকপা অমসুং থম্মোয় শেংবনা মাঙ থারিবা খোঙথাং অসিদা মণিপুর মীয়াম্না মপুং ফানা শৌগৎপীয়ু হায়রি।

মণিপুরদা অহোংবা কয়া লৈখরে। মীয়াম খম থেংনা লৌশিং চাউরবা মীওই কাঙলূপ অমা ওইরকপগা লোয়ননা ঙসিদি অনৌবা মীরোলগী ঈহৌতনা মায় পাক্কনি হায়বগী অচেৎপা ৱারেপ অমা মীয়ামগী থম্মোয়দা চপ চানা লৌনরক্লে হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, অচুম্বা পান্থনা কনানো অদুগা তৌশিন্নবনা কনানো হায়বসি মণিপুর মীয়াম্না মচা খায়না খঙবগা লোয়ননা মীয়ামগী থম্মোয়দা ঈহৌ ললোনবশিংবু হঙ্গোইবা ফাওরক্লিবা পুংফম অসি অনৌবা মীরোলগী ৱাখল্লোন্দা ঈনোৎ হাপ্পা মতমনি। পুংফম অসিদা য়েলহৌ খুন্নাই অসিগী থাজনবগী মতুং ইন্না উরিবু উনানা পুনগনি হায়বদু চপ চানা থোক্লরে হায়নসু চেরোলসিদা ফোঙদোরক্লি।

এস এল এম অমসুং ওমিপমনা মোং হাদনা চঙশিল্লকপা খোঙথাং অসিনা মীওই কয়াসু লমজেল অসিদা লমজেল্লোয় ওইহল্লে। খুন্নাইগী ঈহৌগী মায়ওল অসি ঙসিদি অনৌবা মীরোলনা মমায় চুম্বা হৌরক্লে।

ফীভম অসিমক অচুম্বা অমসুং অরানবা অনীগী লংদাইদা অরোইবা পুংফম ওইরগনি অমসুং অচুম্বনা মায় পাক্কনি হায়বদু মীয়াম্না শোইদনা উবা ফংলগনি। মরম অদুনা য়েলহৌমী কন্নবগীদমক চঙশিল্লক্লিবা এস এল এম অমসুং ওমিপমগী খোঙচৎ অসি মায় পাক্লি হায়না লৌবগা লোয়ননা লাক্লিবা ওগষ্ট ৯ ফাওবগী মনুংদা মণিপুরদা ইন্নার লাইন পর্মিট সিষ্টেম চৎনহন্নবা অখাকপা লৈতনা হোৎনগনি হায়নসু চেরোলসিদা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# দিবোং সনাখোংগী ৱাটর সপ্লাই পাইপশিং ফৎত্রে

জীরিবাম, জুন ১৩(ঐচ এন এস) ঃ

জীরিবামগী ৱার্দ নম্বর ১০গী দিবোং সনাখোংগী ৱাটর সপ্লাই পাইপশিং হায়নিংঙাই লৈতনা ফীভম ফৎত্রে হায়না জিরি লৌরি খোঙথাং লূপকী প্রেস রিলিজ অমনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

জীরি লৌরি খোঙথাং লূপনা থাদোরকপা চেরোল অদুদা বাবুপাড়া ফাওনা সনাখোং দিবোং য়ৌনবা লৈনুংদা ফুম্লিবা ৱাটর সপ্লাই পাইপশিংগী ফীভম ফৎত্রে। অদুমওইনমক হৌখিবা বাবুপাড়াদগী দিবোংগা ফাওনরিবা হৌখিবা চৈচৎ ২০১২ তা ফুমখিবা পাইপশিং অসিগা ফাওনরিবা মফমশিং অসিগী ফীভম ফৎত্রে হায়রি।

পি ঐচ ঈ দি জীরিবামগী চেকশিন্দবনা মরম ওইদুনা বাবুপাড়া ৱার্দ নম্বর ৪ অমসুং ৫ তা খুন্দারিবা মীওইশিংনা হৌখিবা ১৯৯৩ দগী অফবা থক্নবা ঈশিং মপুং ফানা ফংলক্তে হায়রি। পি ঐচ ঈ দি জীরিবাম অসি দিভিজনগী থাক্তা লৈহনখ্রবা মতুংদা জীরিবাম ম্যুনিসিপাল এরিয়াগী ঈশিং পুরিবা পাইপশিংগী ফীভম ফৎত্রে হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

জীরিবাম সব দিভিজন্দা থক্নবা ঈশিং ফংদবগী মখা তাবা জীরিবাম লৌমী খোঙথাং লূপনা চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদা জিরিবামগী মীয়াম্না মপুং ফানা শৌগৎলক্নবা আপিল তৌরক্লি। লোয়ননা ঈশিং হায়বা অসিনা মীওইবগী খ্বাইদগী অহানবা চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎচংনি হায়রি।


লায়েংজরি **DUTTA CLINIC** লায়েংজরি

উনসাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্ট্রিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

**অঙৌবা পকপা :**



হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শীজিন্নদুনা চাওনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনসাগী মহৌশাগী কুচ মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনসাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

**তাং-তাং চিকপা :**
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা-হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরম্নগনু য়াম্না থুনা উনবীয়ু তানবীয়ু।

**দাইবেটিসকী প্রোব্লেম :**
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেট হন্থরক্কনি। ফম্বীগী চাং হন্থরক্কনি, মপাল তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থরক্কনি । হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

**নুংশং :**
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হক্কচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হীদাক শীজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্লে।

**গ্যাস্ট্রিক্কী প্রোব্লেম :**
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক-নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

**নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবীয়ু!**

**নুপাগী প্রোব্লেম :**
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহীংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাঙবদা কছা লোয়নবা ফিনুংদা হক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবীয়ু অমদি উনবীয়ু।

**নুপীগী প্রোব্লেম :**
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

**নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম**
না তাবা ৱাৎপা, নাকোং ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হাকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবীরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

**শমগী প্রোব্লেম**
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চানদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু ঐখোয়গা অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

**য়ু করম্না থাদোক্কনি :**
য়ুনা এদিক্ট ওইদুনা অদোমগী **Family**দা অৱাবা ওইরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

**DUTTA CLINIC** (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong Imphal

HL-B/985/23May-22June


## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-1251**


| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 4 | 2 | | 6 | | | | 9 |
| | 3 | | | | | 2 | | |
| 5 | | 1 | | 8 | 7 | | | |
| | | 3 | 4 | | | 6 | | |
| | | | 6 | | 3 | | | |
| | | 9 | | | 2 | 8 | | |
| | | | 7 | 1 | | 4 | | 6 |
| | | 6 | | | | | 8 | |
| 3 | | | | 2 | | 9 | 1 | |

**Solution-1250**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers from 1 through 9

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 7 | 5 | 2 | 1 | 8 | 3 | 4 | 9 |
| 1 | 4 | 9 | 3 | 7 | 6 | 8 | 5 | 2 |
| 2 | 3 | 8 | 4 | 9 | 5 | 7 | 1 | 6 |
| 8 | 2 | 7 | 1 | 4 | 9 | 6 | 3 | 5 |
| 5 | 6 | 1 | 8 | 3 | 2 | 4 | 9 | 7 |
| 3 | 9 | 4 | 6 | 5 | 7 | 2 | 8 | 1 |
| 7 | 1 | 3 | 9 | 6 | 4 | 5 | 2 | 8 |
| 4 | 8 | 6 | 5 | 2 | 1 | 9 | 7 | 3 |
| 9 | 5 | 2 | 7 | 8 | 3 | 1 | 6 | 4 |

## CROSSWORD-1438




**ACROSS**

2 Winter sport
5 Making cakes
6 Single piece of snow
8 Season
10 Has chimney
12 Tales
14 Heated
15 Twelfth month of the year

**DOWN**

1 Bear sleep
3 Beverage
4 Bleak
6 Glide
7 Dig
9 Winter danger
11 Eave hanger in winter
13 Luge

Solution 1437



SOLUTION ON NEXT ISSUE